**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM**
**(DATE 22-07-2025)**
**অকাশবানি ইম্ফালগী**
**অয়ুক পুং ৭.৩০ গী মণিপুরি পাউ**
**(তাং ২২-০৭-২০২৫, লৈবাকপোকপা)**
**--অহানবদা মরুওইবা পাউ--**

১) সেক্যুরিতি ফোর্সনা চীং অমসুং তম্পাক্কী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদগী লালহৌবা অমদি য়াম্লবা খূৎশু খূৎলাই কয়া ফাগৎলে।

২) উপ-রাস্ত্রপতি জগদিব ধনখর মশাগী হকচাংগী ফিভমনা মরম ওইদুনা উপ-রাস্ত্রপতিগী ফম থাদোকখ্রে।

**অমসুং**

৩) বঙ্গলাদেশ এয়ার ফোর্স ত্রেনিং জেট অমা কাইবদা মীওই ২২ শিরে, ১৬৯ শোক্লে।

**------**

**পুলিস (এল)ঃ** সেক্যুরিতি ফোর্সনা চীং অমসুং তম্পাক্কী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদগী লালহৌবা অমদি য়াম্লবা খূৎশু খূৎলাই কয়া ফাগৎলে।

রাজ্য পুলিসকী কল্ট্রোল রুমা থাদোরকপা চেরোল অমদা হায়- মণিপুরদা থোক্লিবা ইরাং অসি লাকশিন্নবা সেক্যুরিতি ফোর্সনা থি-হুম্বগী থবক লেপ্তুনা চখুরি। ঙরাংসু কাংপোকপী জিলাগী মাওহিং অমসুং চঙৌবুংদগী য়াম্লবা খূৎশু খূৎলাই ফাগৎখি। ফাগৎলবা খূৎলাইশিং অদুদি- মেগজিন য়াওবা ইন্সাস রাইফল

অমা, মেগজিন য়াওবা থ্রি নোট থ্রি রাইফল অমা, লোকেল মেদ লেথোদ অমা, মেগজিন য়াওবা পোইন্ট টুগী পিষ্টোল অমা, বোল্ট এক্সন রাইফল ৪, এম.সিক্সতিন রাইফল অমা, স্নাইপর রাইফল অমা, সিঙ্গল বেরেল নোংমৈ ৭, ইম্প্রোভাইস মোর্তার অনি, ত্যুব লোঞ্চর ৪, থ্রি নোট থ্রিগী মরু ৫০, লেথোদ সেল অনি, হেন্দ গ্রেনেদ ৪, দিতোনেতর ৪ য়াওনা পোৎলম কয়া ফাগৎখ্রে।

অমরোমদা, ইম্ফাল ইষ্ট জিলাদা আইননা য়াদবা মীওই খরা লৈরে হায়বা অককবা পাউ অমা ফংবদগী সেক্যুরিতি ফোর্সনা হৈঙাং পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা কোইরেংগৈ চিংগোল লৈকাইদা থিবা হুম্বগী থবক চখখি। মদুদা- য়ু.পি.পি.কেগী মীওই ৪ ফাখি। মখোয়শিং অদুগী মনুংদা- ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী খুম্বোং ময়াই লৈকাইদগী অনি, লাঙ্গোল গেম ভিলেজ অমসুং কোইরেংগৈ বজারদগীনি। মখোয়দগী শেল অমদি গারি য়াওনা পোৎলম কয়া ফংখি।

পাউ অসিনা মখা তানা হায়রি- তেংনৌপল জিলাগী ইন্দো ম্যান্মার বোর্দর পিলর ৭৯ নেপালি বস্তি মনাক্তগী কে.সি.পিগী মীওই অহুমসু ফাখি। লোয়নননা, নুপী অঙাংদা চখবা মীওৎ মীনৈগা মরী লৈননা ইম্ফাল ইষ্টকী তেলহৌ ময়াই লৈকাইদা থোকখিবা থৌদোক অমগা মরী লৈননা মীওই অনি ফারে। মখোয়গী মথক্তা পোক্সো এক্টকী মখাদা কেস অমা লৌখৎখ্রে হায়রি।

মণিপুর পুলিসনা ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী মন্ত্রি পুখ্রি বজারদগী আইনগী ৱাংমদা য়োল্লম্বা ফোরেইন লিকর অমদি কেন বিয়র কয়াসু ফাগৎলে। পুন্না য়ুঙাং বোট্টল ১৫ অমসুং বিয়রগী কেন ৪৪ ফারে।

**মেদল (এল)ঃ** য়ু.এস.এগী এলাহবমাদা পাঙথোকখিবা ৱার্ল্ড পুলিস এন্দ ফায়র গেমসতা তকমান লৌরকখ্রবা মণিপুর পুলিস পার্সনেল অনিদা অচম্বা খুদোল পীদুনা পুকিং থৌগৎখ্রে। ইম্ফালগী পুলিস হেদক্বাতরদা ঙরাং পাঙথোকখিবা অচম্বা থৌরম অমদা রাজ্য পুলিসকী দি.জি.পি রাজিভ সিংহনা জিমাদার এল.কুমারজিট অমদি নুপী পুলিসকী এ.এস.আই সোরাম রানিদা

অচম্বা খুদোল পীদুনা পুকিং থৌগৎখি। গেমস অদুদা-এল.কুমারজিটনা বোদি বিল্ডিং এন্দ মেন্স ফিজিক ইভেন্টতা লূপাগী তকমান অনি অমসুং রিষ্ট রেষ্টলিংদা শেঞ্জেংগী তকমান অমা লৌখি। অদুগা, এ.এস.আই সোরাম রানিনা রিষ্ট রেষ্টলিং ইভেন্টতা সনাগী তকমান অনি লৌখি।

**ধনখরঃ** উপ-রাস্ত্রপতি জগদিব ধনখর মশাগী হকচাংগী ফিভমনা মরম ওইদুনা উপ-রাস্ত্রপতিগী ফমদগী ঙরাং রিজাইন তৌখ্রে। মহাক্কী ফম থাদোকপগী চেরোল অদু রাস্ত্রপতি দ্রৌপদি মুরমুদা পীশিনখ্রে। সংবিধানগী আর্তিকল সিক্সটি সেভেন ক্লোস এগী মখাদা মহাকপু খুদক্তগী থবক্তগী পোত্থানবা অয়াবা অদু পীখি।

শ্রী ধনখরগী ফম থাদোকপগী চেরোল অমদা হায়- ডোক্তরশিংনা পাউতাক পীরকপগী মতুং ইন্না মহাক পোত্থানবগীদমক ফম অসি থাদোকখিবনি।

শ্রী ধনখর রাজ্য সভাগী চেয়রমেনসু ওইরমখি। মহাকা থবক পায়রিঙৈগী মতমদা রাস্ত্রপতিনা হীরম কয়াদা তেংবাংবীরকপা অমসুং লমজিংবীরকপগীদমক থাগৎপা ফোঙদোকখি।

প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদি অমসুং মহাক্কী মন্ত্রিশিংবু থাগৎপা ফোঙদোক্লদুনা শ্রী ধনখরনা হায়-মখোয়না মহাকপু লম কয়াদা তেংবাং পীরকখি অমসুং মখোয়দগী হীরম কয়াগী মতাংদসু খঙবা ঙমখি। মহাকা থবক পায়রিঙৈগী মতম অসি মতম চুপ্পদা নিংশিংদুনা লৈরগনি।

**বঙ্গলাদেশ ঃ**বঙ্গলাদেশ এয়ার ফোর্স ত্রেনিং জেট অমা ধাকাদা লৈবা মাইলষ্টোন কলেজ কেম্পসতা ঙরাং তাশিনবদা মীওই ২২ শিরে, ১৬৯ শোক্লে। অশিবশিংগী মনুংদা অঙাং খরসু য়াওই হায়রি।

বঙ্গলাদেশ এয়ার ফোর্সকী এফ-সভেন বি.জি.আই এয়ারক্রাফট অদু ঙরাং নুংথিল পুং ১ খরা হেল্লকপদা ত্রেনিং তৌনবা পাইখৎপদা কলেজ অদুগী

বিল্ডিংদা থোমজিনদুনা কায়খিবনি। বঙ্গলাদেশ আর্মি অমসুং ফয়ার সার্ভিসকী মীওইশিংনা মী কনবগী থবক চথরি।

**সংসদ ঃ** সংসদকী সভা অনিমক্কী মীফম ঙসি ফাওবা য়েথোকখ্রে। লোক সভাগী মীফম বিরোধি দলশিংনা তোঙান তোঙানবা হিরমশিংদা চরাংনবা থোকপদগী ঙরাংগী ওইনা য়েথোকখি। বিরোধি দলশিংনা পহলগাম টেরর এটেক অমসুং ওপরেসন শিন্দুরগী মতাংদা খুদক্তা খন্ন-নৈন্নবা দাবী তৌখি। সভাগী মীফম অহুল্লক য়েথোক্লুরবা মতুং ঙরাং নুংথিল পুং ৪ দা অমুক হন্না ফম্বদা বিরোধি দল- কংগ্রেস, দি.এম.কে, সমাজৱাদি পার্তি অমসুং অতৈ দলশিংনা স্লোগান কয়ামরুম লাউখি। প্রিসাইদিং ওফিসারনা সভাগী মীফম চথবা য়ানবা অমসুং সরকারনা হিরম অদুগী মতাংদা খন্ননবা থৌরাং তৌদুনা লৈ হায়খি। অদুমওইনমক, চরাংনবা মরক্তা সভাগী মীফম ঙসি ফাওবা য়েথোকখি।

পার্লিয়ামেন্টরি এফ্যারস মন্ত্রি কিরেন রিজিজ্ অমসুং ঙাকশেল মন্ত্রি রাজনাথ সিংহনা সভাদা পহলগাম টেরর এটেক অমসুং ওপরেসন শিন্দুরগী মতাংদা খন্ননবা থৌরাং তৌদুনা লৈ হায়খি। হন্দক্তা পহলগাম টেরর এটেক্তা লৈখিদ্রবশিং অমসুং এয়ার ইন্দিয়াগী প্লেন এ.আই-১৭১ কায়বগী থৌদোক্তা লৈখিদ্রবশিংগী মফমদা লোক সভানা ইকায় খুমবা উৎখি।

**বিহারঃ** বিহারনা লৈবাক অসিগী ওইনা পোল্লিং স্তেসন অমমমদা ভোটর মশিং লিশিং ১,২০০ গী মখাদা লৈবা অহানবা রাজ্য ওইরে। ইলেক্সন কম্মিসনগী পাউনা হায়-বিহারদা অনৌবা পোল্লিং স্তেসন লিশিং ১২,৮১৭ শেল্লে। মসি মীয়ামা পরেং শাংনা লেপ্তুনা খুদোংচাদবা কয়া মায়োকবদগী ঙাকথোকবগীদমক্তনি। বিহার স্পিসিয়েল ইন্তেন্সিভ রিভিজন ওর্দরগী মতুং ইন্না পোল্লিং স্তেসন অমদা মীওই লিশিং ১,৫০০ ভোট থাদবা য়ারম্বা অদু লিশিং ১,২০০দা হন্থরকপনি। রাজ্য অসিদা হৌজিক হৌজিক পুন্না পোল্লিং স্তেসন

লিশিং ৯০,৭১২ লৈরে।

**ইসরোঃ** ইন্দিয়ন স্পেস রিসর্চ ওর্গনাইজেসন ইসরোনা অমেরিকান স্পেস এজেন্সী (নাসা)গা পুন্না শামিন্নবা নিসার আর্থ ওবর্ভেসন সেটিলাইট থা অসিগী ৩০ দা শ্রীহরিকোতাদগী থাগৎলগনি হায়রি। সেটিলাইট অসি ভারতকী মতমদা নুমিদাংৱাইরম পুং ৫গা মিনত ৪০ থাগৎগনি হায়রি। সেটিলাইট অসি নুমিৎকী অকোইবদা উংহন্দুনা থমগনি। নিসার সেটিলাইট অসিনা নুমিৎ ১২নি খুদিংগী মালেম শিনবা থুংবা স্কেন তৌগনি। মসিনা নোংজ্ নুংশা অমদি অয়ুক নুংথিল নুমিদাংগী ওইবা দেতাশিংসু নিংথিনা পীরক্কনি হায়রি।

## ---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

ঙসি ফোঙবা পাউচেশিংদা পার্লিয়ামেন্টকী নোংজ্ মীফম হৌখিবা, সু কেম্পশিং লৌথোকবা প্রাইম মিনিষ্টরদা মেমোরেন্দম পীশিনখিবা অমসুং ওজাশিংগী পেনদাউন স্ত্রাইক চংশিনখিবগী পাউনা মরুওইবা পাউশিং ওইরি।

সু কেম্পশিং থুগাইনবা নাগাশিংনা প্রাইম মিনিষ্টরদা মেমোরেন্দম পীশিনখ্রে হায়বা পাউনা সঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরীগী অহানবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসি পাউচে অয়াম্বদা তোঙান তোঙানবা হেদলাইন তৌদুনা ফোঙলি।

সনালৈবাক্তা- কুকি মিলিতেন্টশিংগী সু শাংদোকফম থোক্তে হায়বা নাগাশিংগী ৱাফমগা লোয়ননা নাগাগী লমদগী কুকিগী সু কেম্প লৌথোক্ত্রবদি শাথিবা ইরাং থোক্কনি হায়না অনিশুবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসি- পীপলস ক্রোনিকল, সঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস, পোকফম, গানফিউ মেল, তামেংলোং তাইমস অমসুং হিলস হোর্ণবিল এক্সপ্রেসতসু অহানবা হেদলাইন তৌরি।

বি.জে.পি এন.ঈ ষ্টেটস মিতিংদা মণিপুরগী য়াওখিদ্রে হায়না সঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরীদা অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

সিত্তিং ২১ লৈগদবা পার্লিয়ামেন্টকী নোংজ্ মীফম হৌখ্রে, ওপরেসন সিন্দুরগী মতাংদা খন্নসি য়াদে হায়দুনা হাউস অনিমক এদজোর্ণ তৌখ্রে হায়বা পাউনা সনালৈবাক্কী অহানবা হেলদাইন ওইরি।

পার্লিয়ামেন্ট মীফম হৌখিবগী পাউ অসি- পীপলস ক্রোনিকল, নহারোলগী থৌদাং, পোকফম, হুইয়েন লানপাউ অমসুং মণিপুর মেলদসু অহানবা লমাইদা ফোঙলি।

ওজাশিংগী পেনদাউন স্ত্রাইক চংশিনবা হৌখ্রে হায়বা পাউনা মণিপুর মেলদা অনিশুবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসি- অয়াম্বা পাউচেশিংদসু অহানবা লমাইদা ফোঙলি।

সঙাই এক্সপ্রেস ইংলিসতা- মীকোক থিবগী থবক পায়খৎত্রিঙৈদা মীতোপ হান্না খনদোকনবা আই.দি.পিশিংনা খোঙজং চংশিনখিবগী পাউ অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

নিট মাই পাক্লবশিংগী মেরিট লিষ্ট থোক্তবগী মমা মপাশিংনা ঈরাং হৌরকখ্রে হায়বা পাউ অমসু সঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস অমসুং মণিপুরীগী অহানবা লমাইদা ফোঙলি।

হুইয়েন লানপাউদা এম.এল.এ কে.রঞ্জিৎনা সেরৌগী লৌ পরি ৪০০ লোমদা ঈশিংগী অৱাৎপা লৈহন্দনবা লৌখৎলকপা থবক ওইনা চান্দেলগী খুল

অনিগা তাইনবা চকপী তুরেলগী কচ্চা দাম শেমজিনখ্রে, লৌমীশিং শোকহন্দনবা লৌ লোকপা ফাউবা শঙ্গনি হায়বা এম.এল.এ রঞ্জিৎকী ৱাফম অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

ঈ.দিনা লমজিংবা ফাইনান্সকী মথক্তা সপ্লিমেন্তরি চার্জসিট থাগৎখ্রে, মোইথেম তৌবীরম্বা ইনভেষ্টরশিংদা মখোয়গী লনথুমশিং হন্দোকবা থবক পায়খৎপা হৌরে হায়বা পাউ অমসু পাউচে অসিগী অহানবা লমাইদা ফোঙবা থেংনরি।

**--পাউ লোইজরে--**